ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯊꯥꯡꯖ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯲꯱, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯷꯲ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, সেপ্টেম্বর ২১, ২০১৯, ইম্ফাল

৪৩শুবা চহী, ১৭২শুবা মশীং


## জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা অথিংবা থমজিনবা

### হৌজিক্তি সুপ্রিম কোর্টনা মীৎয়েং চঙলকপগী ফীভমদা লৈরে

নেসনল ইন্টরেষ্ট অমসুং সিক্যুরিটিদা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লগা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিলহন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মির এদমিনিষ্ট্রেসনদা খঙহনখ্রে। মীপূম খূদিংমক্তা অনা-লায়েংগী খূদোংচাবা য়াওনা ৱেলফেয়র ফেসিলিটি পূন্নমক ফংহন্নবগী পান্দমদা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিলহনবা তঙাইফদে হায়না চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা লুচিংবা জজ অহুমগী বেঞ্চ অমনা খঙহনখি। কাশ্মির তম্পাক্তা নুমীৎ খূদিংগী ফোঙবা পাউচে ‘কাশ্মির টাইমস’কী ইগজেক্যুটিভ এদিটর অনুরধা ভাসিননা ফাইল তৌখিবা পিটিসন অমদা য়ূম্ফম ওইরগা সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং অসি পীখিবনি। পিটিসন অদুনা হায়খি, মোবাইল ফোন অমসুং ইন্টরনেটনচিংবা কম্ম্যুনিকেসনদা অথিংবা থমজিল্লকপনা পাউমীশিং মথৌ পাঙথোকপদা চাউনা খূদোংচাদবা মায়োক্নরে। অনুরধা ভাসিনগী পিটিসন অদুগী পাউখুম পীরদুনা সেন্টরগী মায়কৈদা লেপখিবা এটোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালনা হায়খি, মীওইবগী পূন্সি অমসুং লন-থুম মাঙলকপা য়াই হায়না চিংনবদগী মফম খরদা অথিংবা থল্লল্লবসু হৌজিক্তি মফম অয়াম্বদগী অথিংবা লৌথোক্লে। অমরোমদা চাইল্ড রাইট্স এক্টিভিষ্ট অনীগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র এদভোকেট অমনা মীচম মীয়াম্বু হায় কোর্টতা ৱাকৎনবগী খূদোংচাবা ফংহন্দ্রে হায়না পুখৎলকপা ৱাফম অমগী মতাংদা এপেক্স কোর্টনা হায়খি, মীচম-মীয়াম্বু হায় কোর্টতা ৱাকৎনবগী খূদোংচাবা ফংহন্দ্রে হায়বা ৱাফম অসিগী মতাংদা রিপোর্ট অমা পীরক্নবা হায় কোর্টতা খঙহনখ্রে। তঙাইফদ্রবদি ইশামক জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা চৎতুনা ফীভম য়েংশিল্লগনি হায়নসু চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা ফোঙদোকখি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্লগা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্না খায়দোকখ্রবা মতুংদা হৌজিক ফাওবা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিলহনবা ঙমদবগী মওং অমা উবা ফংলি।

হৌজিক ফাওবা কাশ্মির তম্পাক্তা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিলহনবা ঙমদ্রি হায়বগী ময়েক শেংলবা খূদমদি পোলিটিকেল লীদর কয়া ফাজিন্দুনা থল্লি হায়রিবসিনি। এম দি এম কেগী লুচিংবা ভাইকোনা সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌরকপা পিটিসন অমনা হায়খি, ওগষ্ট ৫দা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী স্পেসল ষ্টেটস লৌথোক্নবা ৱারেপ লৌখিবা নুমীৎ অদুদগী হৌজিক ফাওবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ফারুক অব্দুলা ফাজিন্দুনা থল্লক্লি। মশাগী চহী ৮১ শুরবা ফরুক অব্দুলাবু পব্লিক সেফটি এক্টকী মখাদা ফাজিন্দুনা থমখিবনি। টেররিষ্টকুম্বা খূদোংথীনিংঙাই ওইরবা মীওইশিং ফাবদা শীজিন্নবা এক্ট অসিবু হৌজিক-হৌজিক পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ওইরিবা মীওই অমসুং হান্না অহুল্লক চীফ মিনিষ্টর ওইরল্লবা মীওই অমদা শীজিন্নবা হায়বসি মরম চাবা ৱাৎলি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্নরক্লি। পনবা য়াবদি ওগষ্ট ৬তা নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী এম পি সুপ্রিয়া সুলেনা অব্দুলাবু লোক সভাগী মীফম য়াওখিদবগী মরম হংখিবদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা অব্দুলা ফাবা লৈতে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। হৌজিক্তি অচুম্বা পূন্নমক খঙনরক্লে। জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা হৌজিক মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিলহনবা ঙমদ্রি হায়বসি য়াম্না চুল্লবা ৱাফমনি হায়না পল্লদুনা এ আই এম আই এমগী লুচিংবা অসাদউদ্দিন ওৱাইসিনা হায়খি, মশাগী চহী ৮০ শুরবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ফরুক অব্দুলাবু পব্লিক সেফটি এক্টকী মখাদা ফাজিনখিবা অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ঘুলাম নবি অজাদনা পোক্নফম লমদমদা চৎনবগী অয়াবা পীদ্রিবসি জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিল্লক্ত্রি হায়বগী ময়েক শেংলবা খূদমনি। মতাং অসিদা ভারতিয়া জনতা পার্টিনা লুচিংবা সেন্টরগী নেসনল দেম্মক্রেটিক এলায়ন্সনা মীয়ামগী চিংনবা কোকহন্নবা মতীক চাবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### নুংঙাই য়াইফবা ইরমদম অমা ওইহনসি

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

মহৌশাগী চৎন-লোনচৎতা ইপা-ইপুগী ইচাশা নুমিৎনা নম্লগা য়াহৌগনু নশা ফরোই তাকপীরম্বা কয়া হৌজিক্তি ঐখোয়গী মরক্তসু নুপা ওইবগী অয়ূক্তা ঙন্না হৌদুনা শুমাং থেল্লোং শিৎতোক-শেংদোক্লীংদবা, ৱাজাও ঙাঙবনা হৈনজবা কয়াসু য়াওনরি। নুপীশিংগী মরক্তসু নুমিৎনা ৱাতোন লোল্লবা ফাওবা য়াহৌদবা কয়াসু য়াওনরি। য়াহৌ ঙল্লগা ইমুংগী থবক শূগনি খন্দুনা ফমুংদা মোবাইল ফোন ওত্তুনা মতম লেনবসু য়াওনরি। লাই-তীলগী ধুপ থাউমৈ থাদুনা নুপী ওইবগী শিন্থা পাঙগনি কাউনবা কয়ানি অদুগা নুপাসু নুপানি হায়দুনা তৌনীংবা কয়া তৌদুনা মীগী নুপী অঙাংদা কারন তাবা, ফত্তবা লমচৎ চৎপা তত্তনা থোরক্লি। নুপীশিংগী মরক্তসু ঙাইহাক্কী পংথবা ৱাখলনা নুপানা হায়বা ইনবদগী অৱা চৈথেং ফংনবসু কয়ানি। অদুগা মতম মতমগী চিঞ্জাক্লা পূক্লিং হকচাং লাকশিনবা ঙম্নদবনা শেন্দাল লম্বী ওইনা চৎনবসু কয়ানি। য়ূমগী নুপানা ফত্তবা লম্বী চৎলগা য়ূম্বাল্লিবী নুপীনা ৱাই হায়বসিসু মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদুনা ইমুং মনুংগী অৱাৎ-অপা মেন্নবা হোৎনবদা অরানবা লম্বী চৎনবসু য়াওদবা নত্তে। অদুনা অসিগুম্বা কয়া অসিনা ঐখোয়গী ইরমদম লৈকোন্দা মশক থীহনবতা নত্তনা লৈবাক ৱাথোক কয়া থোক্তবা নত্তে। মসিদা নুপা ওইবনা পুন্সিবু করিসু লৈতনা খন্দুনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক দ্রগ, য়ুনচিংবা চাহে থকহৈদবা চিঞ্জাক কয়ানা ইশা-ইশাবু লাঙ্গোয় চন্না শীজিন্নরি। অদুগা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংবগী মায়কৈদসু লৈঙাক্লা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা চথুরিদি হায়ববু দ্রগনা মকোল ওইরবা লমদমসিদদি পুরা থিংবা ঙমগনি থাজদে। ঙাঙলি-শক্লিবা, থিংলিবা কয়াগী মরক্তসু ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা কয়াসু য়াওরমগনি খঞ্জে। অদুগা নাকল অমদা মৈরা পায়বী নিশা বন্দসু ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংবগী খোঙজংদা শৌগৎতুনা য়ুনচিংবা ফাবসু থাগৎনীংই। তৌবতবু য়ূম য়ূমগী লৈমিন্নরিবা নুপাশিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবদি থিংবা ঙম্নদে। অসিগুম্বা কয়া অসিনা অতোপ্পা মীওইশিংনা থওইনদবা ওইরমগদ্রা খল্লি। হোয়, অমবু ওইরে অমবু ওইরে ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী লম্‌দদি লফু পাম্বী য়ানবগুম থোক্কদ্রা নীংই। লফুনা মরা ফুকত্রিমখৈ হঞ্জিন হঞ্জিন কল্লবসু হৌরকপগুম ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী পোৎলম পুশিল্লকপা, হৌরকফম, শুংফমগী মরা ফুক্ত্রবদি ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংবা ঙমগনি থাজদে। প্লাষ্টিক শীজিন্নবসু অদু মঙাই ঐখোয়গী লমদদি য়াদে হায়না থিংলগা হেঞ্জিল্লকই।

পূন্নমক অসি ঐখোয়না অফবা পাউতাক্কী লম্বীদা চৎনরবদি চাওখৎপা লমদম অমা ওইগনি নীংই। মসিদা নুপা ঐখোয়নসু ফত্তবা লম্বীদা মীগী চাক্লুক্তা চোংশিন্দুনা চারুদবা, নুপী ওইবীনসু করাম চাউবা খোইমুগী মীৎয়েংখাদা ফিজেৎ লৈতেংনা ফাগে খন্দবা অদুগা মীৎয়েং কারন চোইনরিবা পূন্নমকসি ঐখোয় ঐখোয়গী পূক্লিং ৱাখল ফৎনদবদগী ওইরকপনি হায়জনীংই। অদুনা ঐখোয় ইশানা খন্থনরগা তুংগী পুন্সিগী অফবা লম্বী শেম্মীন্নবনা ফগদ্রা খঞ্জে। ইরমসিদদি ফত্তে, য়াদে হায়না থিংলগা হেঞ্জিল্লকই হায়নবা লমদম অমা ওইরক্লে, তুংগী করি ওইহৌনি খন্নদে। ইশা ইশাগী নুংঙাইনবা শেলগীদমক খনবীদনা ইরমগী য়াইফনবা খরসু খন্থনদুনা য়াদে হায়না থিংলগা হেঞ্জিল্লকই হায়নরিবা পূন্নমক অসি অফ-ফত্ত তীল্লাং খয়োৎনদুনা ৱাখল তানদুনা নুংঙাই য়াইফবা ইরমদম অমা ওইহনসি হায়জনীংই।

*অদোমগী - তবানু খুরাইজম*
*ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়*

# হাকাম অমসুং ভাষন

### ৱাইরু-ৱাইরুবদা

“নৈনবদদা নৈনবদদনি ঐখোয়না মতম হাৎলিবসি। ৱারী শাবদদা শাবদদা চহী ২৫ চঙনা ৱারী শাবদা ফল তাবা ঙমদে। ইনি দয়ান মচা পূম্বা নৈনবা য়াম্না পাম্বা মী ঙাক্তনি। ঐখোয়সু মদুদগী তাবা নত্তে... খন্নখিসি, নৈনখিসি, তানখিসি অসি হায়বা ঙাক্তনি।

পঞ্চায়েট, জিলা পরিষদ, পার্লিয়ামেন্ট, গেষ্ট হাওস, অদু হোল, অদা হোল, কম্ম্যুনিতি হোল, খন্নফমগী খন্নফম ঙাক্তনি। সেমিনার, সিম্পোজিয়ম, দিবেট, ৱার্কশোপ, ষ্টদি সার্কল, কেম্প অসিনচিংবা ঙম্নমক খন্নবা-নৈনবা, কোক চুংশিন্নবা ঙাক্তনি। খন্ন-নৈনবদা শেল য়াম্না থাদৈ, খন্ন-নৈনবদদা থাদরিবা য়াল্লবা শেনফমশিং অসিনা হেন্নবু চাওখৎনবা খন্নরিবা পোৎশক অদুদগীবু হেন্না শেল চঙলমদৌবা মাল্লে।

চুম্মী, খন্ন-নৈনবা হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা থৌরম অমনি। খন্ন-নৈনবা য়াওদনা থবক অমত্তা মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙমদে, য়াদে। মাঙলমচৎতা ঐখোয়না খন্ন-নৈনবা কয়াগী ভাষন কয়া তাখ্রে। পুং কয়া ভাষন পীবদা হাকাম অমফাও চলহন্দবা ঙম্বা, অতাবশিংবু শুম্বা ঙম্বা মী কয়াগী ৱাঙাঙ তাখ্রে। মানা ঙাঙলিবা ৱা অদু তাবদা লোইখিনি হায়না পাখৎপা, লোইখিনি হায়না অতাবনা ৱাজবা ৱাঙাঙমী, ৱাঙাঙলোই কয়াসু য়াওনরি অদুগা মসিগী হেক ওন্ন-তৈনবদা মাইক্রোফোন্দগী হেক চিংথোক্লদ্রিমখৈ ৱা ঙাঙবা, লেপ্পরোই হায়বা ৱাঙাঙমীসু য়াম্না লৈতবা নত্তে। মানা ঙাঙলিবা ৱা অদু শুকলোই লোইশিল্লু য়াদবা, মীয়াম্না তানীংনি-তানীংলোই হায়বা অদুসু শুকখন খল্লুদবা, মানা ঙাঙলিবা ৱা অদুতা অদুম ঙাঙদুনা লৈবা, মফম মতমগা চানরমনি নৎত্রগা চানরল্লোই নৎত্রগা ঙাঙলিবা ৱা অদু মতমসিগা চানদ্রবা ৱারা হায়বদু থোইনা ইনৈ নৈনদ্রবা মী কয়া লৈরি।

মসিদগী হেন্দোক্তুনা অমুক মিনট মঙাদমক ঙাঙবা য়ারবা ৱা অদু পুং অমা ফাদৌনগা হেক্তা ঙাঙথোকপা, দাইজতা মী তরেৎ নিপাল ফমদুনা লৈবা মতমদা মী অমমমনা পুং অমমম/অনী-অনী ঙাঙনরবদি মীফম অদু পুং নিপাল চঙগনি হায়বা অসি কালক্যুলেট তৌদবা ৱাঙাঙবী য়াওনরি। হান্না ঙাঙলিবা মী অদুনা মতুং তাবা মীগী ৱা ঙাঙনবা মতম পীদবা অসিমসু ঐখোয় শ্বাইদা য়াম্না তোয়না থোক্লিবা থৌদৌ অমনি। হোয়, অখন্নবা থৌরম অমগী লেকচর তৌরকপা মতমদদি মশানা তানা অদুম অকক্লবা মতমগী অশাংবা অমদি অদুম লৈনৈ। মসিগুম্বসিনা ৱা অমা ওইহনখ্রগা মসি নত্তবা অতৈ থৌরমশিংদদি মী অমনা ৱা ঙাঙবা অসি মিনট মঙা অসি শাংবু শাংমল্লবা হায়বদুনি। কনাগুম্বা য়াম্না প্রটিভা লৈবা মী অমনা পুং কয়া চূপ্লা মীয়ামগী পূক্লিং চিংশিন্দুনা পুং কয়া ৱা ঙাঙবা, মানা ঙাঙলিবা ৱা অদু নোকহন-নোকহন্দুনা লোইফাও তাহনবা ঙম্বা লৈ। অদুসু নত্তবা মীনা মানা নীংলিবা ৱা অদু লোইশিনবা হৈতবগী মওংদা শাংথ-শাংথদুনা ঙাঙবা মীদু অৱাবগী মশকনি।



থায়নদগী তাদুনা লাক্লবা ৱা অদু হঞ্জিন হঞ্জিন ঙাঙলগা করম্না তানীংগনি। অনৌবা লাইরিক পারত্তুনা অনৌবা ৱাখল পুথোক্তুনা ঙাঙলকপা মীনা ঙাঙথোরকপদা পুং ২৪ চূপ্লা তারবসু হাকাম অমুক্তফাও চনবা য়াওদে। ঙাঙলিবা মী অদুনা নুংঙাইত্রবদি ভাবক ময়াম অদুনা মোবাইল মেত্তুনা শান্নবা অদুম হৌরক্লনি, ৱারী শানবা হৌরক্লনি - মসি হেক উবিবগা অসুম্মক খঙবীবা য়ারবনি। ঐনা ঙাঙলিবা ৱা অদু মীনা তানীংলিব্রা, ৱা অদু অনৌবা ওইরিব্রা হায়বদু খঙলক্ত্রবদি ঙাঙনরিবা ৱাফমশিং অদু মিনট অনীদা তেনশিল্লগা মীয়ামগী মতম কনবিবনা মফরে হায়না নহান ঐগী মরুপ অমনা জি এম হোলদা মীটিং অমা তাবা লোইরগা য়াম্না খোয়দৌ শাউগৎলগা হায়রম্বনি। ●

# চরাংনরিবা মহৈরোয়শিংগী ৱারেপ

**নবকুমার ওইনা**

উতোন্দগী তারকপদা করম্বা উশাদা পায়রগা য়ালহৌগনি? ঙসিগী মহৈরোয়শিংদি উদগী তারকপগা মান্নরক্লে, খূৎ চেৎনা পায়রগা কাখৎপা ঙম্বদি য়ামদে হায়বা উনরবনি। লাইরিক তল্লিবা খুদিং লৈঙাক্কী থবক ফংবা ওইথোক্তে, ওইথোক্তবদুদা হিদান্নদুনা পৈশা পীজনরি। মমা মপাশিংনা মচাশিংগীদমক করপসন চথুনরি, মচা নুংশিবদা লৈবাক য়োল্লি। মচা খরদি মমা-মপানা হুরানবদু য়ারি। হুরানবা তম্বীবদু নত্তে, হুরানবগী প্রদক্ট ওইরকই, হুরানবগী লৈবাক্তা।

মী ওইনা পোকপগী হিংদবদি য়ারোইদৌরি, হিংফমদু শেমগৎপা তারক্লি। য়ূম ওইনা, লৈকায় ওইনা, খুনফম ওইনা, লৈবাক ওইনা শেমগৎলগা লৈরিবা অসিনি। শেম্বদু ঙমদবা, লানবা, নমথনবা, নমদুনা মুনবা ময়াম য়াওনরক্লি। মতম অদুদা লাইরিক তল্লবা মীওইশিং, তল্লিবা মহৈরোয়শিংনা ৱাখল লৌশিংগী মাঙজিল থানা থৌদাং লৌনরি। ঙসি ঙসিমক হোং কোংদা চথুরিবা থৌওং অমা মালেম শিনবা থুংনা উনরি। শান্দোক্লুবা লম অমদা লৈরিবা মীয়ামগী হৈনবী, অপাম্বা, চুনখ্রবা চৎনরোল অমগী ৱাথোক ওইরক্লি। লৈঙাক্কী ৱাথোক হায়বসি মীয়ামগী অপাম্বদা য়ূম্ফম ওইরকই। চুম্বা লানবা হায়বসি লোগী মিৎয়েংদা অরেপ্পা লৈতে হায়বসু লৈরিবনি, অদুগা কনাগুম্বা খরনা মানা-মানা খঙবদুনা চুম্মী খনবসু লৈরিবনি। পঙবা য়াদে হায়বদি লৈতে, অশিংবা শাবদি লানবা য়াওরকই। মী অমগা মী অমগা মান্নদবদি য়াই, অমনা পংই হায়বদি অদুম উনবা ৱানি। মতম অদুদা সেল্ফ কন্সিয়স ওইবা-ওইদবগী ৱাফম লাকই। থাজবনা চুম্মী হায়বা য়ারক্তে। থাজবা অমা শাগৎপদা লাইরিক পাবা চংই, তম্বা চংই, ৱারী কয়া শাবা চংই, হংবা চংই, লৈবাক্কী ওইরগনা পুৱারী খঙবা চংই। শামু মনিংদা য়েংবনদি মমাং উরোই, শামু খঙবা ঙল্লোই। লাইরিক তম্নরিবসি লৈঙাক অমগী থবক শুনবখক্তগী নত্তে হায়বসিসু খঙবা চংই। লাইরিক তল্লগা মীগী থবক তৌগে হায়বসিমক মীনায়গী ৱাখলনি, ঈহৈ য়োল্লগা চাবদি য়াই।

লুরক্লিবদি ঐগী ঐগী হিংফম শেম্নবদুনি। হিংফম লৈজদবা মীওই ময়াম কোয়চেন চেন্নরি, হিংফম মুন্নবগী মী হাৎনরি, নোংমৈ, টেঙ্ক, মিশাইল, রোকেট কয়া কাপ্নরি। মালেমগী মফম কয়া ঈংনা-চিক্না লৈবা ফংনদ্রি। মীওইবসি খূৎলায়গী লমজেল তান্নরি, য়াওবা ঙমজদবা অশোনবা কাঙবু মুখুরক্লি। খূৎলায় য়াওদনা মরৌশিংনা, শেনবা-থুম্বাগী অশোনবা কয়া লৈবদগী মুখুজরকপা কয়া অমা লৈরিবনি। লমদম অসিমক মুখুরক্লিবা খুন্নাই অমনি। মমিং চুমদে, শেম্থোক লৈনা থবক শূবা হৈনদে, ইন্দষ্ট্রি লৈতে, লৈঙাক ফজবা ঙমদ্রি, করপসন তৌরি। মোরেল করপসন তৌবদগী হেন্দোক্তুনা নোলেজ ফাওবা করপ তৌরগা থৈদুনা পুনবা তৌনরি। চহী চহুমগী মমাঙগী পুৱারীদু মাঙখ্রে, মদু হৌদোকপীনবা মীওই তাঙলে। ৱারী লীবনা কান্নবা নৎত্রে, থৈদুনা পুরিবা অসি চুমথোকপা ঙমজদ্রে, লাইরিক হৈবা মী লৈত্রবগুম্বনি। তমখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিং মশাগী লম্বী খঙনা ৱাখল থাদবগী তঙাইফদবদু লাক্লে, হোং কোংগী মহৈরোয়শিংগী মথৌনা করি ওইরি খঙবা ঙম্নবা হোৎনবা তারক্লি। অপাম্বা ফংনবা, অচুম্বা পুথোক্লবা শিবা-চংবা খঙদনা শাথেংনবা তারক্লি। খুন্নাই অমগী থৌদাং লৌবা হায়বসি য়াম্নমক লেমজবা থবকনি অদুবু মীয়াম অমনা লুচিংবা ওইবীনবা লৈতবগুম চরাংনরবা মতম অমদা মহৈরোয়শিংসু চরাংনদুনা লৈবা হায়বসি লৈবাক অমগী খ্বাইদগী মাঙজবা তাঙ্কক অদু ওইগদৌরি।

লূপ য়াম্বদি করি, মী য়াম্না থৌদাং লৌনবনি। ৱারেপ মান্নদবা অমসুং পুনবা ঙমদবা তারবদি খুন্নাই অদুগী খ্বাইদগী লাইবক থীবা তাঙ্কক অদু য়ৌগদৌরিবনি। অমুক হৌগৎপা ঙমদনা লৈখা তানা মাঙখিবা য়ারিবনি। মশা মদোম ৱাংনা খঞ্জবা খরনা থাজবা অমদগী মশাবু ৱাংনা খঞ্জবা অকায়বদি লৈতে, মাঙজরিবদি ফুরুপ ওইননি, মহাক অদুনা শাগৈগী মৈতাল অশিবা ওইনা খুন্নাই অদুমক্কী য়েক্লবা ওইরকপা য়াওরিবনি। সবজেক্ট মান্নদবা মহৈরোয়শিং ৱাখল মান্নবদি ৱাগনি, অদুমকপু ৱা খন্নবা য়াবগী থাক্তা ৱাফম অমা খন্নবদি হৈগদৌবা অমনি। মহৈরোয় অমগী অরোয়বা পাড়াসি ‘য়ু আর দি ক্রিয়েটর ওফ য়োর ওন দেষ্টিনি’ হায়বা অসিনি হায়নরিবনি। চেকশিনগদৌবনা ‘ফুলিশ পেরেন্টস বিকম দি এনিমি ওফ দিয়র চিলদ্রেন’ হায়বসিনি। মদুমক লমদম অসিদসু থোক্লে হায়বা য়াওনরিবনি। হান্নগী পুৱারীশিং পুমচায় চায়রে, খুন্নাইগী শক্তমসু কায়রে, লোনগী শক্তমসু ময়েক শেংদ্রে, নাৎকী শক্তমসু ইওন ওন্থোকপগুম উনরক্লে। নীংজবা খরনা ফজরবোইদা খঞ্জবা মাল্লক্লি। মুন্না খন্থরগনা মশাগী ওরিজিনেলগা লাপ্নখ্রবগুম্বনি। মদুমক থোইনা হরাউনীংঙাই ওই হায়না লৌবা য়াবা ৱাখল্লোন ওইদে। শামরক-ঙামরক ওইরবা খুন্নাই অমগী শক্তম ওইনা উনরকপা য়ারিবনি। ছাটিন অমগী মখাদা নুংঙাইনা নোং তুপ্পা অদুগুম্বনি, ইন্নরিঙৈ নোং হাংলম্বগী ৱাদুনি। মী অমনা লাপ্পা য়েংলগা নোকপসু য়ারিবনি, ইন্নরিবশিংদি হুমাং তানরিবনি। নোং তারি নৎত্রগা নুংশা শারি হায়বা খঙবা মান্দ্রে। ইন্নবগী, য়েৎনবগী হৈনজবীদা লৈরিবনি।

মহৈরোয়শিংগী য়েক্লবা লৈতবা হৌনদে, মখোয়গী লূপ মরক্তসু য়াওরম্বা য়ারিবনি। মখোয় লিংজেল মান্নবা উনদ্রি। লাইরিক তম্বদা ট্যুসন কন্না তৌনরি, থবক তৌবদসু ট্যুসন তৌগদৌবা মাল্লকই। ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংবু লল্লোনফম ওন্থোকপগী ৱাফম লাক্লি, চেকশিন্নীংঙাইনি। শেল পায়বা ওজা নৎত্রগা স্কুলদি য়াল্লক্কনি, শেল পায়বা মহৈরোয়দি য়াম্না থোক্লক্লোই। মসিমক খুন্নাইগী ওইবা লাইরিক খুতম্বী নত্তে হায়গনি। মদুমক্না খুন্নাই অসিগী মায়ওন অচুম্বা মায়কৈদা চৎলিবনি হায়বা ঙম্নরক্তরে। তাইবঙ মহৈকোলনা খুন্নাইসিগী মহৈরোয়শিং অচুম্বা লম্বীদা পুরি হায়বগী থাজবা মাঙলে, চায়নপুং ওইরকপগুম উনরক্লে। মতম অসিদা লাইনীংদুনা লৈগদৌবা মতম নৎত্রে, পরিক্ষা পাস তৌনবতং খন্দুনা কা মনুংদা লৈগদৌবসু নত্তে, থোঙ হাংদোক্লুগা খুন্নাই করম তৌরি, ইশানা লৈগদৌরিবা মফম্না কদায়দনো য়েংদবা য়ারোইদৌরি। পুৱারী হুরানখ্রে, লোন মুনবিখ্রে, নাটসু মচু শঙজিনখ্রে। য়ানশিল্লকপনা মপু শাখ্রে, মখোয়গী ৱানা অচুম্বনি হায়বদু চথুদুনা লৈরে, মখোয়গী খুন্নাইনি হায়রে। পন্দিটশিংনা হেন্না মীচং চংনখ্রে, ওজা কয়া ৱা ঙাঙবা ঙমজদ্রে, রিমোর্ট কন্ট্রোলদা লৈবা রোবোট মাল্লক্লে।

অসিগুম্বা মিৎকুপ্তা মহৈরোয়শিংনা এল পি তম্বগুম অদুম লৈবা য়াগদ্রা? ভোট থাদবা য়াওরবশিং ৱারেপ লৌবদা য়াওবা য়ারে হায়বনি। ৱারেপ লৌবা হৈত্রগনা লাইরিক তল্লক্তে হায়বনি। হুইবুনা থৌরগা হুইসু থৌই, স্কুল ফরগা থবক ফংগনি হায়বদি লৈতে। ৱাথোক্লা শৌ শারবা হায়বসি চংশিল্লুবগা থোক্লকপা য়াদে হায়বা তারি। ৱাথোক অমত্তা ৱারেপ হৈনা লৌবা উদ্রি, য়েৎনদবা য়াওদে, মপূং ফাবা য়াওদে। ৱা খঙবা মহৈরোয় কনানা তুমিন্না লৈবা ঙমগনি। লুরক্লিবদি ফি শাদ্রিঙৈদা মচু তোঙান-তোঙান্না লং শংবগুম শংনবা মাল্লকপসিনি। মশা মশামক নিম চফু মনুংদগী থোক্লকপা ঙমদবগুম্বনি, ত্রাইবেল ওইরি হায়বনি। ৱারেপ লৌবা য়াওবা য়াখিগদৌরি। মশানা মশা খঙবা নৎত্রবদি ৱারেপ লৌরকপদু লানগদৌরিবনি। য়েৎনরিবা অসিমক ত্রাইবেল কেরেক্টর অমনি। মী অনৌবা য়াওশিনবা লেপত্রিবা, ফুরুপকী মিং ফাওবা অরেপ্পা লৈত্রিবা, লোনগী শক্তম অকক্লবা লৈত্রিবা, নাৎকী শক্তমদা তোৎশিন্নরিবা ময়ামসি ত্রাইবেল কেরেক্টর অদুমক্লি। মশানা থাক অদুদা লৈরি হায়বা খঙজদবা য়াওরি হায়বসিমকসু ত্রাইবেলগী ৱাখল খুখন্নি। চহী লিশীং কয়াসু লৈরকসনু মশাগী লম কনবা ঙমদবসি নোমেদিক কেরেক্টর য়াওরি হায়রিবনি। মুখুরকপা হায়বসিমক ত্রাইবেল ওইরিবগীনি। ত্রাইবেল নত্তে হায়না চেল্লগা হিংবা হৈরগদৌবা নত্তে, ত্রাইবেল ওইরিবসি কনাগুম্বা অমনা ওইনীংদে হায়রগা ওইদ্রে হায়বা য়াবা নত্তে, ফুরিৎ হোংবগুম্না হোংবা য়াগদৌবা নত্তে, লূপ অমনা ওইনীংদে-ওইগনি হায়বগী ৱারেপ লৌবগী রাইটসু লৈতে। ওইনীংবা অমা ওইসনু, ৱাদু ঙাঙলিবা মীওইশিং খরনা খুন্নাইসি মায়কৈ লান্না, মা মাগী অনীংবদা পুনবা হোৎনৈ, লান তাশিল্লকপগুম্না এক্ট তৌই হায়বা য়াওনরিবনি। লান লওথোকপসু ঙমদবা, ৱা ঙাঙবসু ঙমদবা ওইরবদি মুৎখ্রে হায়না লৌবা য়ারক্লবদুনি, মুৎখ্রবরা? মসিগুম্বা ৱাফমশিংদা মহৈরোয়গী লূপশিংনা ৱারেপ লৌবা ঙমদবা নৎত্রগা লান্না থাজদুনা লৈবা হায়বসি মুখুরবা ফুরুপকী চাদা নাওদানি হায়গনি। মহৈ তল্লি হায়বা য়ানরক্তবসু য়ারিবনি। ক্রিটিকেল মোমেন্ট অমদা করি তৌগনি খন্নদবা হায়বসি লৈবাক মচা তাবা শাজৎসু ওইরোইদৌরিবনি। ওইনীংবদি অমা ওইজসনু ৱারেপ অমা লৌগদৌবনি। চঙক্লরিবা অসিমক্তি ত্রাইবেল ওইবদুননি। হীরম অমগী ৱারেপ লৌবদসু ওইসনু, থবক অমত্তা মচু তাবা য়াওদ্রি, চিনি শুংই য়াদে, বিলাটিমাটি শুংই য়াদে, লং শুংই য়াদে, মুগা শুংই য়াদে, লৌ উই চাবা কোন্নদে, ঙা য়োকই কোন্নদে, লম্বী-থোং ফাওবা ফজনা শেম্বা হৈত্রি। ৱা ঙাঙনরিবা অসি ফাওবা ইহো হোবা য়াওরি। চীংদা মৈতৈ লৈবা য়াদে হায়বসি লাল্লিবনি, ক্বাথানা লৈরিবসি চীংদনি, লোদু ওইনা লাল্লকই। মৈতৈগী লম হায়বা লৈতে, লৈঙাক্লা তাম্থোকপা ঙমই, নোমেদিক ওইরিবগুম্বনি। পাট্টা পায়বনা করিসু কান্নদে হায়বা য়ারিবনি। লৌ য়োল্লগা চেনবা ময়াম লৈরি। লৌবুক্তা য়ূম শাজিনবা লেপ্তুরি। মসিমক পঙবগী ওইবা তারক্লি, পঙই হায়বদা শাউবদুমকসু পঙবগীনি, ত্রাইবেল ওইরিবসু পঙবা হেল্লিব্রা খন্নফম থোকই। মৈতৈ অরিবদি শাওববু হৈত্রবরা, তুমিন্না লৈশিনবনা য়াল্লি।

মহৈরোয়শিংবু কনানা শেন্নরিবগে? মমা-মপানা ৱানা হোৎনজরিবা ময়ামসি পোলিটিকেল এক্সপ্লোইটেসন অমদা কোলুদা চু ইনশিনবগুম ইনশিল্লগা শেল পীরসু থবক খন্দবা, চপখায়রবা চুবাগুম মহি-মচুম লৌহৌরগা লংথোক্লক্লিবনি। লৈঙাক য়াওবশিংনা ভোট বেঙ্ক শেমগৎনবদা কাঙলূপ খায়দে হায়না-হায়না কাঙলূপকী মীটিং কয়া শাগৎকনি। মীয়ামসি হোমোজেনিয়স ওইনা শেমগৎপা উদে, মহৈরোয়শিংসু কাঙলূপ খায়রগা লূপ শাগৎপা হৌরে, লৈঙাক্কী মতৌ তল্লিব্রা, হংলাই ওল্লক্লিব্রা, ফজবা ৱারেপতি মাল্লক্তে হায়না লৌনগনি। মহৈরোয়শিংগী ওর্গনাইজেসনসু পোলিটিকেল ওর্গনাইজেসন মানবা য়াওরক্লে। মহৈরোয়শিংগী ৱাখলশিং পোলুটেদ ওইদে হায়বা য়াররোই, একাদেমিক এটমোসফ্যের ফরবসু পোলিটিকেল নৎত্রগা সোসল প্রেসরনা ঙমশিল্লক্লি। মহৈরোয়শিংগী মরক্তা পোলিটিকেল এজেন্ট য়াওশিল্লকপবু মাল্লক্লি, থমায়বিখ্রবা ময়াম অমা য়াওশিল্লকপদগী চনিং তাবা পূক্লিং ৱাখলগী লৈতাবা লৈরক্ত্রবদি হুলিগানিজম অমদা চংশিল্লকপা য়ারিবনি হায়বসি ঙসিগী লৈঙাক্লা মুন্না ওৱায়বা চুমগনি খল্লি।

ঙসিগী মহৈরোয়শিংনা থম্মোয় শেংনা হোমোজিনস সোসাইটি অমা শেমগৎনবা হোৎনবগী মহুত্তা মীনা থৌজিনবা মানবা ৱাখলগী ৱাঙাঙ ঙাঙদুনা, লাইরিক ফজনা পাদবা মানবা শাজৎ শাগৎপনা খুন্নাইগী থবক তৌরিবনি খনবদি লানগনি। তুংগীদমক ঙাক শেল্লবা পুন্সি মহিং অমদা হিংবা ঙম্নবা লৈবাক মীয়াম অমসুং লৈঙাক অনীমক্লা থাজবা য়াবা কান্নগদৌবা হীরম কয়াদা মহৈরোয় পূন্নমক্কী অপূনবা ৱারেপ লৌবসু ঙমফম থোকই হায়বা খঙনফম থোকই।

ইরন্নাইগী লাইরিক তম্বা নত্তে, মীওইবা খুন্নাইগীদমকনি। ●